# প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ন হোকি টিম থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

## ইন্দিয়ন হোকি টিমদা হোকি ইন্দিয়ানা শেলগী মনা পীগদৌরি



ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ ঃ
ইন্দিয়ন হোকি টিমনা চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা ফাইনেল চঙদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রবা তুং লীগ অসিদা ইন্দিয়ানা শিলভর মেদল লৌরকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়ন হোকি টিমবু অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হোকি ইন্দিয়ানসু শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎকনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি অসিদা পুৱারীদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অসিদা পেল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়ন হোকি টিমদা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরকখিবা অসি অফবা খুদম অমনি।

চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা ইন্দিয়ানা শিলভর মেদল ফংহৌরবসু ফাইনেল মেচ অদুদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা পীখিবা হনবা লৈতবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন হোকি টিমগীদমক্তা ঐখোয়না য়াম্না চাওথোকচৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন হোকি টিমনা ঙরাং লন্দন্দা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টাই ব্রেক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীদুনা শিলভর মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগীদমক্তা মীংচৎ পুরকখিবদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মশক নাইরবা স্পোর্টস পার্সনেলিটি কয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর ভিরেন্দ্র সেৱাগ অমসুং ভি ভি এস লক্সমনসু ইন্দিয়ন হোকি টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ভিলেন্দ্র সেৱাগনা ফোঙদোকখিবদা পেনালটি শুট আউটতা ঐখোয়না মায়থীজহৌরবসু মেচ অদুনা ঐখোয়গী থম্মোয়বুদি মায় পাকহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা শিলভর মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়ন হোকি টিমদা হোকি ইন্দিয়ানা শেলগী মনা পীনবা লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা দিফেন্দর হরমনপ্রীট সিংনা টুর্নামন্টে অসিদা য়ুথ প্লেয়রগী মনা ফংলকখিবগা লোয়ননা হরমনপ্রীটতা লুপা লাক্ষ ১ গী তোঙানবা শেলফম পীগনি হায়রি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নরেন্দ্র বত্রনা মেচ হেক লোইরবা মতুং শান্নরোয়শিংনা দ্রেসিং রুমদা চঙলকপা মতমদা মহাক্না পেনমনখিদুনা শেলগী মনা পীননবা লাউথোকখিবনি।

নরেন্দ্র বত্রনা ফোঙদোকখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা টাইটল অসি লৌজখ্রবসু নখোয়সু মেচ অসিগী ৱিন্নরনি হায়না শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা পীখিবা ফজরবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তা ঐখোয়না য়াম্না চাওথোকচৈ হায়না নরেন্দ্র বত্রনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি কোচশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবগীমক্তা নরেন্দ্র বত্রনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন হোকি টিমদা হোকি ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং অমদি কোচতা লুপা লাক্ষ ২/২ গী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা লেমহৌরিবা সপোর্ট ষ্টাফশিংদসু লুপা লাক্ষ ১/১ গী শেলগী মনা পীগনি হায়না হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখি। লোয়ননা চেম্পিয়ন্স ত্রোফিদা বেষ্ট য়ঙ প্লেয়রগী মনা ফংলকখ্রবা হরমনপ্রীটতা হোকি ইন্দিয়ানা অহেনবা ওইনা লুপা লাক্ষ অমগা অমুক হাপকনি হায়রি।

# লমলাই হায়স্কুলনা কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুল মায়থীবা পীদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ফুটবোলদা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৮ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দা চথুরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ৱিন্নর লমলাই হায়স্কুলনা ওইখ্রে।

স্কুল ১৫ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লমলাই হায়স্কুলনা কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুল ন্যু চেক্কোন গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা লমলাই হায়স্কুলনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবা লমলাই হায়স্কুলনা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা হন্দক পাঙথোক্লদৌরিবা ষ্টেট লেভেল সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইম্ফাল ইষ্টকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি। ঙসিগী মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুলনা রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লমলাই হায়স্কুল অমসুং কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুল মায়থীজরবসু মেচ অদুগী য়াম্না ঙম্লিঙৈ মরিশুবা মিনিটতা টিমদুগী শান্নরোয় হাওমিনলালনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা লমলাই হায়স্কুলদগী গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখি।

কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুলনা গোল মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা লমলাই হায়স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নবা হৌরকখি। লমলাই হায়স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা এস ব্রোনসন্না গোল ইক্কেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং টিমগী অহেনবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাক্লবগীদমক শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা গোল ১-১ দা লৈনখি।

লমলাই হায়স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা হাফ মতুংদা মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকখিবনা গোল অনী থংনা থংননা চনশিন্দুনা কোভিনেন্ট ইংলিস স্কুলদগী গোল অনী হেন্দুনা মেচ মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি।

লমলাই হায়স্কুলগী অনীশুবা গোল এন জি রাকেসনা মেচকী ৭১ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল এস ব্রোনসন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মেচকী ৭৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী তোঙান তোঙানবা মেচ মরিদা লমলাই হায়স্কুল অমসুং ইমানুএল ইংলিস স্কুল য়াইঙংপোকপী মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা টিম অনী অসিনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অহানবা সেমী ফাইনেল শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা লমলাই হায়স্কুলনা কৈবি হায়স্কুল গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লমলাই হায়স্কুল সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা লমলাই হায়স্কুলগী অহানবা গোল বিনোদখনানা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল তোনদোনবনা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কৈবি হায়স্কুলগী অহঞাওদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইমানুএল ইংলিস স্কুল য়াইঙংপোকপীনা ব্রাইটর ইংলিস স্কুল মন্ত্রি পুখ্রি গোল ৮-০ দা মায়থীবা পীদুনা ইমানুএল ইংলিস স্কুল সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা ব্রাইটর ইংলিস স্কুল মন্ত্রি পুখ্রি টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ইমানুএল ইংলিস স্কুলগী গোলশিং অদু কে রোনেলনা গোল মরি মেচকী ২৫, ২৯, ৪৬ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। এস অমরজিৎনা গোল অমা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা চনখি। রাধাকান্তনা গোল অমা মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। জুলিয়ন কৈশিংনা গোল অমা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী ৮ শুবা গোল সংরৈসিং সারিওনা মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ৌরবুং হায়স্কুলনা মোইরাংপুরেল হায়স্কুল গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা য়ৌরবুং হায়স্কুল ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা য়ৌরবুং হায়স্কুলগী অহানবা গোল রোসন্না মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল প্রিয়োনা মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা অদুগা জোনাথন্না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নগদবা অতোপ্পা মেচ অমদা ফ্রি প্রোগ্রেসিভ একাদেমি উয়ুমপোক লাক্তবদগী জয় হিন্দ হায়স্কুল মন্ত্রিপুখ্রিবা ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

# শেল লান্না শীজিন্নরুবা গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট চেটন দেসাই অমসুং সেক্রেটরি বিনোদ ফাদকে বি সি সি আইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ ঃ লৈবাক অসিদা ক্রিকেট মশান্না হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না তোঙান তোঙানবা ষ্টেট এসোসিএশনশিংদা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং থম্নবা অমদি কোচিংনচিংবা পাঙথোক্লবগীদমক্তা থাদখিবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নরুবগীদমক হন্দক্তা গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী টোপ ওফিসিএল অহুম গোৱা পুলিসনা ফাখ্রবা মতুং ঙসি বি সি সি আইনা মখোয় অহুম সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী টোপ ওফিসিএল অহুম সস্পেন্দ তৌবগী শো কোজ নোটিশ অদু ঙসি নুংথিল বি সি সি আইনা থোকখিবনি।

গোৱাদা ক্রিকেট মশান্না চাওখৎনবগীদমক বি সি সি আইনা কুমজা ২০১৫ দা লুপা ক্রোর ৩.১৩ থাদখি। অদুবু হায়রিবা শেনফম অদু শাশিন্নবা বেঙ্ক একাউন্ট অমদা চঙহন্দুনা শেনফম অদু গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট চেটন দেসাই, সেক্রেটরি বিনোদ ফালকে অমসুং ত্রেজরর অকবর মুলা মখোয় অহুম্না শেরান্ননা শীজিন্নবগীদমক মখোয় অহুমগী মথক্তা এফ আই আর পান্দুনা গোৱা পুলিসনা ফাখ্রবনি।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী ত্রেজররগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা আই পি সিগী চার্জ কয়া পাল্লি হায়না বি সি সি আইগী সেক্রেটরি অজে সিরকেনা ফোঙদোকখি।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী টোপ ওফিসিএল অহুমগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসিগী মতাংদা বি সি সি আইনা কূপ্না থিজিন্দুনা মতিক চাব্রা নৎত্রগা চাদব্রা হায়বা য়েংলগনি। মখোয় অহুমগী মথক্তা বি সি সি আইগী রুলগী মতুং ইন্না করি করম্বা এক্সনশিং লৌখৎকদগে হায়বসু বি সি সি আইনা য়াম্না কূপ্না থিজিল্লগনি হায়রি।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী ওফিসিএলশিংদা বি সি সি আইনা হায়রিবা শেনফম অদুগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবসু খঙহনখ্রে। হায়রিবা চিঠি অদু ঙসি বি সি সি আইনা গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশন্দা থাখিবনি।

বি সি সি আইগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট চেটন দেসাই, বি সি সি আইগী মার্কেটিং কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইবদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়ননা গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী সেক্রেটরি বিনোদ ফদকেসু বি সি সি আইগী ইনফোর্মেশন এন্দ টেক্নোলোজি কম্মিটিগী মেম্বর ওইবদগী সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

গোৱা ক্রিকেট এসোসিএশনগী টোপ ওফিসিএল অনী অসি ঙসি খুদক্তগী বি সি সি আইনা সস্পেন্দ তৌবগী শো কোজ নোটিশ থোকখিবনি।

গোৱাগী টোপ ওফিসিএল অহুম অসিগী মনুংদা প্রসিদেন্ট চেটন দেসাই অমসুং সেক্রেটরি বিনোদ ফদকেদি বি সি সি আইগী তোঙান তোঙানবা কম্মিটিগী য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমা ওইরিবনি। মখোয় অনী অসিগী মথক্তা বি সি সি আইনা হৌজিকমক্কী ওইনা করি করম্বা মখা তাবা এক্সন লৌগদগে হায়বা ইনক্বারি রিপোর্টকী মতুং ইন্না খন্নগনি হায়রি।

# দিঙ্কু অমসুং মঞ্জিৎকী জুরানা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টনগী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৮ ঃ বেঙ্গলোরদা হৌখিবা তাং ১৪ দগী চথুরকখিবা ১৫ শুবা য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওল ইন্দিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা মণিপুরগী কে দিঙ্কু অমসুং কে ঐচ মঞ্জিৎকী জুরানা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা কে ঐচ মঞ্জিৎ অমসুং কে দিঙ্কুগী জুরানা দবলসকী ফাইনেল চঙলকপদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মখোয় অনীনা হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসি মায় পাকপা ওইরসনু হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না য়াইফ মঙ্গলসু পীরক্লি।

হয়েং কে ঐচ মঞ্জিৎ অমসুং কে দিঙ্কুগী জুরানা টেলঙ্গনাগা থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা কে দিঙ্কু অমসুং কে ঐচ মঞ্জিৎকী জুরানা বেঙ্গলোরগী অমন রাইকৱার অমসুং য়াস রাইকৱারগী জুরাবু ২১-১৩, ১৩-২১, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীখি।

# মণিপুর ইন্দোর হোকি টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৮ ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ২২ দগী ২৫ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তা পাঙথোক্লদৌরিবা নুপাগী তরুকশুবা নেসনল ইন্দোর হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর ইন্দোর হোকি টিম হয়েং মহারাষ্ট্রগীদমক্তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর ইন্দোর হোকি টিমগী শান্নরোয়শিংনা হয়েং অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা কোংবা বজারদা লৈবা ওলা লম্পাক্তা লাক্নদবনি। হয়েং টিম অসি ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম এল এ ৱাই ইরাবোতনা লমথারগনি।

মণিপুর ইন্দোর হোকি এসোসিএশনগী সেলেক্সন কম্মিটিনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রব্বা শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতগী কে উরুন, এস তরুন, পি অদেবা, টি ঐচ হেরোজিৎ, টি ঐচ রাকেস, এন গুনমনি, এল পুর্নচন্দ্র, পি প্রিয়োকুমারনি। কোসমো ৱাঙ্খেদগী আর কে বিক্রমজিৎ, এস য়াইফবা অমসুং আর কে ধনজিৎনি।

মণিপুর ইন্দোর হোকি টিম অসিগী টিম কোচ এ রানাপ্রটাপ অমসুং টিম মেনেজর আর কে সমরজিৎনি।

হয়েং কোংবা বজারদা লৈবা ওলা লম্পাক্তগী ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম এল এ ৱাই ইরাবোতনা টিম অসিবু য়াইফ মঙ্গল পীদুনা লমথাবগী থৌরম অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা চপ চানা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা মতম চানা লাক্লবসু খঙহল্লক্লি।

# নেসনল ৱিমেন চেলেঞ্জর চেছ চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ ঃ
মফম অসিদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী নেসনল ৱিমেন চেলেঞ্জর চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তোঙান তোঙানবা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

নেসনল ৱিমেন চেলেঞ্জরস চেছ চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা টোপ সীদ ইশা করাভাদেনা সি আর বর্সাবু মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা টেবল অমদা মিনকি সিনহা, বিজয়া লক্সমি সুব্রমনিয়মগী মখূৎতা মায়থীখ্রে। সৌময়া স্বামিনাথন্না পলভিবু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা টেবলদা জি অভিরামা শ্রীনিথি মহাক্কী ওপোনেন্ট প্রটয়ুশা বোদাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। মেরি অন গোমসনা অরুনিম গোয়লবু মায়থীবা পীখি। টি আর এস দক্সিনিয়া মহাক্কী ওপোনেন্ট আর কে বৈসালিগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। পি জয়াশ্রী সঙপাল নিশা মোহটাগী মখূৎতা মায়থীখ্রে। এস বন্দনা বদাটকরসু মহাক্কী ওপোনেন্ট পি মিটচেলি কেটরিনাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।













Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com